# খেমচান্দগী লাইবক্তা শাৎপা থম্বাল ১০৮না হাইনা হুম্না জগোয় শাবা ঙমগদৌরিব্রা?

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

মতম কুইনা থোঙ লোন্দুনা লৈরুরবা এ টি এমগী বুথ খংহাঙ হাংদোক্লকপদা মীয়াম্না হরাওনবগুম্না, মণিপুরদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) হায় কস্মান্দনা, য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্লকপদা পার্টি অসিগী অমসুং অতৈ মপাং পার্টি পূম্নমক্কী এম এল এনচিংবা ঙম্নমক নুংঙাইবা পোক্লরে। অনৌবা লৈঙাক অসি লাক্লিবা কুমজা ২০২৭কী মার্চ থাদা মপুন্সি লোইগদবা অমসুং মমাঙদা পানখিবা এন বিরেনগী লৈঙাক অদুবু সেন্টরনা সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থুপচিন্দুনা পি আর ওইনা থমজিনখিবগী চৈফূ অদুদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা কাউগনি হায়বা থাজদে। অমরোমদসু, অনৌবা লৈঙাক অসি বি জে পি হায় কস্মান্দনা মশাগী দব্বল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্ট অমবু থুগাইদুনা পি আর থমজিনবগী ফজদবা মওং অদু খরদং ওইরবসু লোৎশিন্নবা ইকায় খাঙদগী কঙ কোৎপা ওইনা তৌই।

মীগা লাইগা শম্নরিঙৈ মতমদগী হৌনা, মীওইবগী পুৱারীদা থোকখিবা অচৌবা লাঞ্জাও, লৈবাক কায়দুনা কাং-খোং চাইবা অমসুং মরাল লৈজদ্রবা মীয়াম্না বলিগী হামেং ওইবা নৎত্রগা মতম পূম্বদা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা লৈবা কনাগুম্বশিংনা খুদোংচাবা লৌখিবা অসিনচিংবা থৌওংশিং অসি অয়াম্বা মতমদা মশাগী ওইজবা থিবদা মমিৎ তাঙলবা, লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবশিংনা লিংজেল মান্ননা লৈঙাক-থৌদা পাঙথোকপা ঙমদবদগী মরূ হুল্লকখিবা ঙাক্তনি। মালেম অসিদা ওইজবা থিদবা মীশক লৈবা হৌনদে, অদুবু লৈঙাক্কী মীৎয়েংফম ওইদুনা লৈঙাক পায়রিবা মীওই অমসুং অঙম-অথৌশিংনা মপান থোক্না লৈবাক পূংজাউ থীনবমখৈ ওইজবা থিবগী লানফমদা উমংগী শা-কৈনা তৌবগুম ইকায়-ইকি ৱাংমা লান্না চীক্লরকপা অসিদি মশানা মশাগী মখোঙদা শীংজঙনা য়ানশিঞ্জবগা পাঙ্খক্লি। থৌওং অসি ঐখোয়না মণিপুরগী চহী তরেৎ খুন্তাকপনচিংবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা থেংনখ্রে অমসুং তোররিংবা মীওইবগী মশাজৎ হৌজিকসু থেংনরি।

বি জে পিনা লুচিংবা নেশনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ) লৈঙাক্কী মণিপুরদা লৈরম্বা, হান্নগী সী এম এন বিরেনগী দব্বল ইঞ্জিন লৈঙাক অদুবু পার্টি অসিগী হায় কস্মান্দনা মুখৎতুনা ষ্টেট অসিদা পি আর থমখিবা হায়বসি ফিদমদগী মীশক্লা হেন্না লুবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মশানা থাকচবা লাংদা থুজবগা লোয়ননা লাঞ্জদবা মীয়াম অসিবুসু ইকায়-ফীরুক খুমহনবনি হায়বা য়াই। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগা লৌতুনদুনা মীতৈদা লান্দাহনবা অমসুং থৌওং অসিদা থম্মোয় শোক্লা খোয়শাওনরবা ষ্টেট অসিগী ভোটরশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ্প্র মায়থীহন্দুনা ইন্নর অমসুং আউটর কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা কোংগ্রেসপু মায় পাকহনখিবা অদুগা অমরোমদনা, দব্বল ইঞ্জিন লৈঙাক অদুগী লেজিসলেটরশিংনা এসেমব্লিদা হান্নগী সী এম এন বিরেনবু থাজদবগী নো-কনফিদেন্স মোশন থাঙ্গৎনবা হোৎনদুনা বি জে পিবু মণিপুরদা ফাগি তাহন্নবা শীনবগুম্না তৌখিবা অসি পার্টি অসিগী হায় কস্মান্দগী অশোকপদা থুম চাইশিনবগুম্না থোকখিবরা হায়না খল্লি। অদুম ওইনমক, বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্দনবগীদমক্তা, ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু মুখৎলগা নৌনা মীখল পাঙথোকহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা, সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা মমিংতগী ওইনা লৈহন্দুনা পি আর থমজিনখি অমসুং মথংগী কুমজা ২০২৭কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী মীখলদা পার্টি অসিগী এম এল এশিংবু শরুক য়াবা ঙমহন্নবগীদমক্তা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি শেমখি।

লুরিবদি, মণিপুরগুম্বা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা কয়া মরু ওইদবা (এম পি ২/৩ খক থাগৎপা) ষ্টেট অমদা বি জে পিগী লিদরশিপনা পৱার পায়বা নৎত্রগা পায়দবা হায়বা ফীভম অনী অসিগী মরক্তা থোইদোকপা খেন্নবা লৈতবগুম্না উবা অসিনি। ইন্টরনেশনল পোলিটিক্সতা মশাগী খুদা অমা ফংলবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পূক্লীংদা, -উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট অমা য়ৌনা চাউদবা, মীশিং লাখ ৩০ মুক্তং লৈবা পীক্লবা মণিপুরগী চন্নফম লৈতে। এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্নীংবনা ঙাওরবা মণিপুরগী বি জে পি এম এল এশিংনা ইকুই কুইদনা দেল্লীদা কয়ারক হন্না চত্তুনা পি এম মোদিগা উন্ননবা হোৎনবদা নূংদা ঈশিং চাইবগুম্না থোকখিবা অমসুং মীকপ-মীরাউনা নিল্লবা মণিপুরগী মরমদা মালেমগী মীদিয়ানা অকনবা মীৎয়েং চঙনরক্লবসু, পি এম মোদিনা ৱাহৈ মচেৎ অমত্তা ফোঙদোকপা তৌদনা তূমিন্না লৈখিবা অদু মহাক মশামক্কী পার্টিগী এম এল এশিং অমদি মখোয়না মহুৎ শিনবা মণিপুর কৌবা ষ্টেট অমা ইন্দিয়াদা লৈ হায়বসি খঙবীবগী খুদম নত্তে অমসুং মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈবা-লৈতবা মহাক্কী মফমদদি করিসু থোইদোক্তে হায়না নাচুংদবা উৎপনি।

মীয়াম্না খন্নরম্বদি, চহী অহুম ফারক্লবা ফাওবদা করিগুম্বা ৱারোইশিন অমত্তসু পুরকপা তৌদনা লৈরিবা কুকি নার্কো-টেররিষ্ট খুজোক খরগী ঈরাং মনুংদা থল্লিবা পি আর অসি সেন্টরনা মখা তানা শাংদোকহল্লকপা য়াই হায়বা অসিনি। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী ৩৫৬শুবা শীংকক্কী মখাদা থল্লিবা পি আরগী মতম অসি থা তরুক খূদীংগী পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবগা লোয়ননা শাংদোকহন্দুনা য়ামদ্রবদা চহী অহুম থম্বা য়াই অমসুং চহী অমদগী হেন্না শাংদোক্লকপা তারবদি ৪৪শুবা কন্সটিট্যুশন এমেন্দমেন্টকী মতুংইন্না নেশনল ষ্টেট ইমর্জেন্সি (মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং মওংগুম্বা) অমা লৈবা নৎত্রগা হায়রিবা ঈরাং লৈবা মফম অসিদা মীখল পাঙথোকপা খুদোংথীগনি হায়বা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়াগী সর্টিফিকেশন হায়রিবশিং অসি মথৌ তাগনি হায়না লিগেল এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নেশনল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা পব্লিকেশনশিংনা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী নোর্থ-ইষ্টকা মরী লৈনবা ইন্টেল্লিজেন্সকী রিসর্ছ এন্দ এনালিসিস ৱিং (আর এ দব্লিয়ু), এস বি আই য়াওনা আর্মি হায় কস্মান্দনচিংবা, লমদম অসিদা পাঙথোকপা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্স ওপরেশন (সী আই ওপস) শিংগী লাম্থোং শীল্লিবা এজেন্সীশিংনা মণিপুরদগী পি আর লৌথোকপা পামদে হায়বা ৱাফম অমসু ফোঙদোক্লরি। মরম অসিনা বি জে পিগী পোলিটিকল ইন্টরেষ্টতা পি আর অসি লৌথোকখিবা তারবসু শেল্লিবা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অসিদি হোম মিনিষ্ট্রিগী নাকোইনবা দাইরেক্ট রুল মখাদা লৈগনি অমসুং কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমদা ষ্টেটকী লৈঙাক্লা খূৎ থিংজিনবা ঙম্লোই হায়রি। চহী অহুম ফারক্কদৌরবা ঈরাং অসি সেন্টরনা পাল্লবদি অহিং অমদা লোইশিনবা য়াবনি, অদুবু ষ্টেট এক্টরশিংনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনরিবা অমসুং তৌনদবা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী কা হেনবা থৌওংশিংদা, খরগীমখৈ মপাম্থোংদা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎলবসু, মপূং ওইনদি মখোয়বু চাউথা থাদোক্তুনা থম্বগুম্না উবা ফংনরি। সেন্টরনা হান্না লৈরমদবা বফর জোন হায়বা খূৎশেমগী শম্বল অমা খাগত্তুনা মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ অনীগী মরক্তা কাঙলূপকী ঈরাং অমা মতম পূম্বগী ওইনা লৈহন্নবা হোৎনরব্রা হায়না চিংনদবা ঙমদে। মণিপুরগী পি আর লৈঙাক্লা, ঈরাং অসিদা মৈ থাদোকপীখ্রবা ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেশদ পর্সন (আই দি পি) শিংবু অকক্লবা মতম থাদুনা য়ূম-য়ূমদা হঞ্জিনহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু ঙসি ফাওবদা আই দি পি লিশীং ৬০গী মনুংদগী শুপ্নগী লিশীং ১৬ খক্তমক হঞ্জিনহনবা ঙম্লি। ৱাফম অসি মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি মশামক্লা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবনি। ঈরাং অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা ভোটরশিং অসি য়েংলুরবদি মণিপুরদা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি দেমোক্রেসিগী ফেষ্টিবেল কৌবা য়ারোই, দেমোক্রেসি হাৎপগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকপগুম্না থোক্কনি।

কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ১৩দা থমখিবা মণিপুরগী পি আর অসি চৎলিবা কুমজা ২০২৬কী ফেব্রুৱারী ১৩দা চহী অমা মপূং ফারকপগা লোয়ননা মখা তানা শাংদোকহল্লকপা তৌদনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লে। হোম মিনিষ্ট্রিনা অরাংফম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈরাং মরক অসিদা অনৌবা লৈঙাক অসিনা করম্না লৈবাক ঙাকপগে হায়বা অসিদি য়েংখিবা তারি। মেম্বর ৬০ লৈবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মতম অসি কুমজা ২০২৭কী মার্চ থাদা লোইরে। এম এল এ অয়াম্বনা অনৌবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরি। অদুবু এন বিরেননা কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ৯দা চীফ মিনিষ্টরগী ফম হেক থাদোকখিবদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা বি জে পি এম এল এশিংগী দেল্লী-খোঙচৎ অমত্তনা ষ্টেট অসিদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বা ঙমখিদবা মরম্না হন্দক দেল্লীনা কৌরক্লে হায়দুনা পাইশিন্নরুবা এম এল এশিং অসিনা নীংজবা থুংলকপা অসি অঙকপা পোকই। মুন্না য়েংশিল্লুরবদি মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী ৱাফম অসি বি জে পিগী এন দি এ গভর্ণমেন্ট অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অসিদা ঈরাং লৈত্রে হায়না শেরান্নন্না খলহন্নবা অমদি মীয়ামগী পূক্নীংবু ঈরাং অসিদগী চোইথোকহন্নবগীদমক্তা শান্নবা, মীৎতা উৎ চাইবা লিলা অমা ওইনসু উবা ফংনদবা নত্তে। আই দি পিশিংবু ময়ূমদা হঞ্জিনহন্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী ষ্টাফশিংনা পুলিসকা লোয়ননা লৈমখোং চীংমাঙদা য়ূম য়েংবা চঙলুবদা কুকি-জোশিংনা উতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা তাল্লক্লে, নুঙনা থারকপদা ওফিশল অমা, আই দি পি অমা শোক্লে, লাঞ্জেল্লকপা মীতৈ আই দি পি ইমুং অনীগী য়ূম কুকিশিংনা লৈশিল্লম্লে অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মথক্তগী ওর্দর পীরক্তে হায়দুনা কুকি লমহেনবশিংবু মনীং তম্না থাদোক্তুনা থম্লে হায়বা ৱাফম অসিসু ইফোং ফোংনা হৌজিক হৌজিক শান্নরিবা লীলা অমনি। অসিগুম্বা লীলা অসি অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রিগী বি জে পি লেজিসলেচর পার্টিগী ইকায়খুম্নজরবা লিদর, চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা ভাবোক ওইনা য়েংদুনা লৈবা তাবনি, মরমদি লীলা অসিগী স্ক্রিপ্ট রাইটর অমসুং দিরেক্টর ওইরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী ওথোরিটিদা কনানসু য়েৎলুবা ঙম্লোই।

মণিপুরগা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা মান্নদবা ফীভম অমদি -- ষ্টেট অসিনা হীরম খূদীংমক্তা মিপাল তাংনা হিংবা মরম্না ইশানা ইশাগী লাইবক লেপচবা ঙমদবা অসিনি। নীংতম্বা ফংলবা মতুংগী ইন্দিয়ানা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙম্লবসু, মণিপুরগী শেল-থুমগী ফীভমদি সেন্টরগী মখা পোন্না হিংলি। য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমনন্না হন্দক পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবা ইকনোমিক সর্ভে রিপোর্ট ২০২৫-২৬কী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভম অসি সেন্টরনা পীরকপা শেন্থংদা য়ূম্ফম ওই। স্পেশল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেট ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট (এস এ এস সী আই) অসি শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী অপূনবা কেপিটেল আউটলেগী চাদা ১৯.৭ ওইখি। শেনবা চহী ২০২৫গী প্রোভিজনল একাউন্টতা রেভন্যু রিশিপ্তগী রেভন্যু এক্সপেন্দিচরনা চাদা ০.৯ লোম হেনখি। ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি মণিপুরদা শেন্থোক লৈতবগী অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লরি হায়বনি। ষ্টেট অসিগী ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টর অসি ঙসিসু অরুবা ফীভম অমদা চাওখৎপা ঙমদনা লৈরি। ফেক্টরি পূম্নমক্কী চাদা ২ খক্তংদা ৱার্কর ১০০ রোম থবক পীরি। ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টরদা থবক পীবা ঙম্বগী চাং অসি চাদা জিরো ওইরি। মসিনা থবক পীবা ঙম্বা ইন্দষ্ট্রি য়াম্না লৈতে হায়বদু তাক্লি। মরম অসিনা মণিপুরদা থবক শুবা-নোম্বগী ৱার্ক কলচর অমা শাগৎপগা লোয়ননা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা স্কিল দিভেলপমেন্টকী এদ্যুকেশন অসি গ্রাসরুট লেভেলদগী পাক-শন্না পীবা মথৌ তারক্লি। শেন্থোক লৈতবা খুন্নাই অমনা কেপটিভ মার্কেটকী ইকনোমি অমদা হিংবা হায়বসি মশানা তাবনি। ইনকম লাকফম লৈতবা মরমদগী হিংবদা তঙাইফন্দনা চঙবা পোৎচঙশিং ফংবা ঙম্নবা হোৎনরকপদা ক্রাইম কয়ামরুম থোক্লি অমসুং সেন্টরনা থাদরকপা এস এ এস সী আইগী শেনফম পূম্নমক ময়ায় লমগী অচৌবা ইন্দষ্ট্রি লৈবা ষ্টেটশিংদা মসা পান্দুনা পাইথোকখি। মণিপুরীশিং অসি মতৌ অসুম্না কয়াম কুইনা হিংখিগনি। অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্নবা হোৎনবদা থৱায় য়াওনবগুম্না হীরম অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ, অখঙ-অহৈ অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংনা খন্থবা মতম য়ৌরে।

মরু ওইনা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা ইশা ইশাগী ওইজবা খরা খরা থাদোক্লদুনা মণিপুরবু অমুক্তংদি মালেমগী চাওখৎ-লমজেলদা শরুক য়াবা ঙমহন্নবা হোৎনবীয়ু। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরক্লিবা অসি মতম কুইরক্লে। হৌজিক ৱাই খেমচান্দগী অনৌবা লৈঙাক্লা নেশনল হায়ৱেশিংদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু মনীং তম্না চৎহন্নবা, আই দি পিশিংবু য়ূমদা হঞ্জিনহন্নবা অমসুং বফর জোন লৌথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তারি। ●

---

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৫)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

বামোন কনাগুম্বনা হায়জরিয়ে, ৱাচৎচরিয়ে, য়ূম্নাক কুনলোমদা শুহনবীয়ু মীতৈ মরুপকা শিমিন্নজগে হায়দুনা হায়রিয়ে। অপোকপা ইবুঙোগী মরমসিদদি- ৱায়েক অমদা বামোনগী মথৌ করিসু লৈতে। অপোকপগা লানথিনরিবা বামোন্দুবু অমুক পুশিল্লক্তুনা মীতৈ মরুপ ঐখোয়গী মায় পাকপা হেল্লগদবা করিসু লৈতে। বামোন য়াওদ্রবদা মীতৈ মরুপ ঐখোয়গী পিবানা বামোনগী থবক তৌগনি। নাপেৎতি মশীং নাইদনা চোংথোরক্কনি। অদুমকসু মরুপ ইবুঙোসিংনা বামোন য়াওবনা চুম্মী হায়রগা বামোনদি শোয়দনা ফংগনি।

মরকসিদা থবক থোক্লবসু করিসু ৱাবিরুগনু। মীতৈ মরুপ ঐখোয়গী হৌনবী অমতং তৌরগা শেংদোক্তুনা অদুমক থমগনি। বামোন লাক্লগা মতমদুদা অদুমক শেংগনি। অদুনা তুংদা করিসু কায়গদবা লৈতে। বামোন য়াওবা য়াওদবগী পরেংদা মরুপ ইবুঙোসিংগী পূক্লিং ৱাখলদা লৈরে। করম্বনা ফবা তান্নসি। মপুইবুঙোগী মরমদা বেদগী মথাপ কায়বা করিসু লৈতে। ওইগদৌরিববু বেদদি সংস্কৃট মরোলনা ইরে। মপু ইবুঙোগী মরমদি মীতৈলোলনা ওইরে। সোরাৎকী পিণ্ড পীরিবদুসু ইপা-ইপুগীনি। তর্পন হায়রিবসিসু ইপা-ইপু লান্নবগী থৌরম তৌবনি। 'প্রণালিকা' হায়রিবসিসু ইপা-ইমাদগী হৌরিবনি। ময়াং মরোলদুবু মীতৈলোলনা হন্দোকপতনি। অতোপ্পা জাৎ অমগী লম্বীদা চৎলুবা নত্তে। মরুপ ইবুঙোসিং মুন্না ৱাখল তৌবীয়ু। হন্দক্কী চৎলকইবসিদি - মীতৈ ঐখোয়গী কান্নবনি, মীতৈ ঐখোয়গী ওইজবনি। মতম কুইনা মীগী মখোঙ কোন্দুনা লৈবসিদা অপোকপা ইবুঙোনা খাঙবা ঙমক্তদুনা লাইবাও হায়রক্লবনি। মরুপ ইবুঙোসিং হনবা য়াদে হন্দক্তি। মীনা মনীং মখা তৌনা ঐখোয়বু উশিৎ থৌওইদনা তৌবসিগী খুমুকপু অমৎতা ওইরে, অনীতা ওইরে মপু ইবুঙোগী মরীদা লেপ্পসিনা খুমুক্লি। অসিতনা খূৎলায় ওইদুনা য়েক্লবগী মৈবু মুৎপা ঙমগনিয়ে। নুপা থৌদাং তৌরসি, শিরসু শিমিন্নরসি। মরুপ ইবুঙোসিং মতম য়ৌরবনিনা ঐনা চেপ্পা মায়গৈদা চেপকনি, ঐনা ওনবা মায়গৈদা ওনগনি হায়না নীংজৈ। ইবুঙোসিং পূম্নমক্না ঐগী থৌৱায় ওইবিয়ু। নখোয় পূম্নমক্কী মরমদা থৌৱায় থাজরমগে। মীতৈ মরুপ পূম্নমকসু ঐগীদমক থৌৱায় থাবীরম্মু।

ঙসি তিল্লিবা মরুপ ঐখোয়না ঙসিগী নুমিৎতগী হৌনা লেপ্পদা জারিবোন লৈবাকসিনা চরাং মসা পাইরকপা কুম্মৈবু চিক্না য়েংনসি। হয়েং ওই ওইদে হায়বা অপোকপা ইবুঙোনা শোয়দনা পাউ হায়রগনি। মতম অমদা পূক্লিং লেপখিবা ইবুঙোসিং পূম্নমক অপোকপা ইবুঙোবু নীংশিংদুনা অমুক্তং হনথনা খনবীয়ু। নখোয় নখোয়গী নশানা অপোকপা লাইবু তেংখ্রবনি। হৌজিক পঞ্জরকপদা নখোয়গী পূক্লিংনা মীগী ৱা তাদুনা মরাই চাইখ্রবদি অপোকপা ইবুঙোসিং পূম্নমক্না হৌজিক্কী মতমদা পূক্লিং শোন্থখ্রবসু ইবুঙো মহাক্না পাম্বৈনি হায়না নীংবীদুনা ইবুঙো মহাক্কী মরমদা শোয়দনা লেপ্পীরো। লেপ্পে হেক হায়বদা ইখঙ খঙহৌদনা লাইগী পাঙ্গল ফংগনি।

শোয়দবা ৱানি মপু ইবুঙোগী য়াথংনি। ইবুঙো মহাক্কী মহুম্নি। মপু ইবুঙোগী মরম মুন্না খঙদবা মীগী ৱা তাদুনা লাইগী য়াথং হিক্তোকপীগনু। করিসু লৈত্রবা মীগী মরোলবু ঐনা লুনা তৌবদি খঙুদবা মরম্নি। মীতৈনা ময়াং মরোল খঙবসি কয়া য়ামদ্রি - হৌজিক্কী মতমদদি। ইখঙ খঙদনা ময়াংগীসিদা মথৌৱায় য়াওনা চৎলিবা, মীগী মরনবু ইরন্নি হায়না নীংবা, অমগী পাউবু অমনা হায়রগা থাজরিবা মীতৈসিবু অপোকপগী মরীদা লৌথোরকপবু করি হায়না ৱাখল য়াম্না তৌথরুগনি। অমতং চিঙকপদা ময়াম মরী মরী লাকচগদবনি। মরম অসিনা ইবুঙোসিং পূম্নমক্তা ঐনা নীংজরিবনি মরুপ ইবুঙোসিং পূম্নমক্না মকোক ওইরদুনা লেপ্পীরো। শিদবা মপু ইবুঙোগী ৱাহৈ পরেংনা মোহিনী মন্ত্র হায়বদু ওইরদুনা লৈহৌরিবা পূম্নমকপু চিংশিনবীরো। লৌ-শিং লোইরগা শাজেল শান্নরসি। লেমদুনা লৈহৌগদবা কনানো খঙনসি। ওইদবা পথাপ্না ৱা শাদুনা তুং কোইবা হৌনদে।

মীতৈলৈবাক সনালৈবাকপু কাউবীগনু। চৎলুবা ঙমদ্রবসু ৱারী তাদুনা নীংশিংবীয়ু। অচম্বা মফম নত্তে। ঈসেং শেংবা লাইফম্নি। চীংনফম করি অমত্তা লৈতে। থাঙ্গৈশেংবা লাইনিংথৌ সোরারেননা শেম্লম্বা লম সনানি, মাঙথোকপীগনু। লাইনিংথৌ সোরারেনগী মচা-মশু ওইরিবা ইপা-ইপুশিংগী পোকফম হৌনবুংনি। ইপা-ইপুগী শাৎনফম লৈকোলনি। কৌব্রুনা লেম্ফুনি, কংলানা খোইদৌনি। লোক্তাক্লা ফম্বী তেংগোৎ ওইরদুনা ঈথায়না ঈশিং লম্বী ওইরিবনি। হিদেন অহুম্না হকচাং পুরিবা অচৌবা মরী অহুম ওইরদুনা মতৌ অসুম্না অপোকপা ইবুঙোগী কয়াৎ লেপখ্রবা লৈবাকনি। অপোকপা ইবুঙোনা শিদবা মপু ওইরগা নোংমাইজিং চীংনা ইবেন শিদবী ওইদুনা অৱাৎ-অপা লৈতনা ইচিক ঈৱাই হুনখ্রদুনা সোরারেনগী লৈবাক অমা ওইদুনা নুঙাইবা কুম্মৈগী মফম ওইদুনা লৈরিবা মীতৈলৈবাক্লি। বেদগী ব্রহ্ম চপ চানা ওইরিবা সনালৈবাক্লি।

ইপা ইপু পূম্নমক্কী শাৎফম লৈকোল ওইরিবা লাইফম্বু নীংশিংসি, থাগোন্নসি ইবুঙোসিং মীতৈ মরুপ পূম্নমক। ইপা ইপুগী পোকফম শাৎফম ওইরিবা সনালৈবাকপু ঐনা খুবাক লাইখন শানা খুরুমজৈ। গঙ্গা, যমুনা, সরশ্বতি অহুম্না চেল্লিবা মফমদা ব্রহ্ম লেপ্পী হায়দুনা তীর্থ পূম্নমকপু মফমদুদা ঋষিশিংনা শেমখি। মপু ইবুঙো অপোকপনা চপ চানা লেপ্পীবা মীতৈ লৈবাক্তা ইপা ইপুশিংনা লাইফংনখি। মীতৈ লৈবাক্কী, মনুংগী অসুম ওইবা ইচেনসিবু কাউখিদুনা, থাপ্না লৈখ্রবা ময়াং লৈবাক্কী লাইফমদা তাংজরুবদা মীতৈনা লোল খঙদবনা, মফম খঙদবনা লাইনিংবগী মরমদা য়াম্না মরায় চায়খি। মীগী লাইফমদা তাংজরুবনা মীগী মরোল তাংদবা য়াখিদ্রদুনা মীগী মপা মপু পোকপগী শাস্ত্র পুরান তম্নবদা মতম নত্তনা কেমদুনা থৌৱায় থানরিবসিনি। ● (মখা চৎথজরকখিগনি)

---

# খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা কো-ওপরেটিভ অমসুং আই এফ এফ সী ও চাওখৎলকপগী ৱারী - ১

- রাকেশ-

মীওই বিলিয়ন ১.৪ হেনববু চীঞ্জাক ফংহন্দুনা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমরোম্বু য়োক্লিবা ইন্দিয়াগী লৌউ-শিংউনা শাংলবা মতমদগী লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনগী য়াঙলেন শরূ ওইদুনা লাক্লি। হৌখিবা দিকেদ খরসিদা হিংনবগীদমক মীপাল তাংলম্বদগী হেন্না মতিং লৈবা, টেক্নোলোজি শীজিন্নরবা, লৈবা য়োনবগা শম্নরবা অমদি হৌজিক্কী তঙাইফদবশিং ফংহনবদা নত্তনা তুংগী মীরোলগীসু রিছোর্সশিং ৱাৎতনবা হোৎনদুনা মাঙলোমদা লেপ্তুনা খুমাঙ চাওশিনবগা লোয়ননা সেক্টর অসিনা মওং মরীল নাইবা মায়কৈ অমদা খোঙ থাংজিল্লক্লি। লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা, হার চাং চানা শীজিন্নবা, দিজিটেলগী খুদোংচাবা ফংহনবনচিংবা থৌরাংশিং পায়খৎপদা পূক্লিং থৌগৎপা অমদি লৌমীশিংগী লূপশিংনা হীরম অসিগী য়ূম্ফম হেন্না চেৎশিলহল্লে অদুগা কো-ওপরেটিভ সংস্থানশিংনা নৌনা শেমদোক্লবা কাঙলোনবু হেক মখোঙদগী হৌনা চৎনহন্নবগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরি।

ইন্দিয়াগী মরু ওইবা কো-ওপরেটিভ সংস্থানশিংগী মনুংদা ঙসিসু মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কো-ওপরেটিভ অমদি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ফর্টিলাইজর কো-ওপরেটিভ ওইনা লেপ্লিবা ইন্দিয়ান ফার্মরস ফর্টিলাইজর কো-ওপরেটিভ লিমিটেদ (আই এফ এফ সী ও) অসিনা লৈবাক অসিগী লৌমীগী শক্তিগী মরু ওইবা য়ূম্বী ওইনা শাফোঙলকখি। লৌমীশিংনা মপু ওইজবা অমদি লৌমীশিংগীদমক চলাইজবা ওর্গনাইজেশন অমা ওইনা কুমজা ১৯৬৭তা লিংখৎখিবা আই এফ এফ সী ও অসি কৈথেলগী অরেপ্পা লৈতবা মমল অমদি অচৌবা ফার্মশিংনা কৈথেলবু মখোয়গী খুবাম্লুংদা থম্বগী লৌমীশিংবু ঙাকপী শেনবীদুনা মখোয়না লৈবা ঙম্বা মমলদা অমদি মতম চানা অফবা মখলগী হার ফংহন্নবা পান্দমদা শেমখিবনি। মেম্বর ৩৫,০০০ লৈবা কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিংগী খূত্থাংদা লৌমী ক্রোর মঙা হেন্না কান্নবা ফংহল্লদুনা আই এফ এফ সী ও অসি তপ্না তপ্না হার পুথোকপগী থবক্তগী হেন্দোক্তুনা থানবা মরূ ফগৎহনবা, লৌমীশিংদা লায়না শেল পুবা ফংহনবা, লৌমীশিংবু পাক শন্না লৌশিং হেনগৎহনবা, লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং ফংহনবা, থাদরিবা শরুক্তগী পুথোরকপনা হেলহনবা অমদি লূপকী ফজবা মচৎপু শেল্লিবা খুন্নাইগী থৌদাংগা পূন্না চৎমিন্নরিবা কো-ওপরেটিভকী ৱাখল্লোন লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা মসিগী থৌদাং অসি পাকথোক চাওথোরক্লি।

হৌখিবা চহী মঙা অসিদা মরু ওইনা জন্যুৱারী ২০২২দা দিলিপ সংহানীনা চ্যেরমেন ওইরকপদগী আই এফ এফ সী ও অসি লেপ্পা লৈতনা হোৎনবা, সংস্থানগী চৎন-কাঙলোন ঙাকপা অমদি নৌনা থোরক্লিবা পোথোকশিংগী চাং লেপ্তুনা মচোই মচোই তারবশিংবু পুনশিল্লবা অমদি খুমাঙ চাওশিনবা অওনবা তাঙ্কক অমদা খোঙ থাংজিল্লক্লে। কো-ওপরেটিভকী ঈহৌদা চহী কয়াদগী তানশিল্লক্লবা লৌশিং শীজিন্নদুনা মহাক্না গুজরাট লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ, কো-ওপরেটিভ, এনিমেল হজবেন্দ্রি, ফিশরি অমদি শা-ষণগী মচীঞ্জাক্কী মিনিষ্টর য়াওনা ফম য়াম্না পায়বা মিনিষ্টর ওইনা থবক পুখি। ইন্দিয়াগী লৌউ-শিংউদা নৌনা থোরক্লিবা শীংনবশিংবু মায়োক্ননবা থৌরাং তৌরদুনা মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা শরুক ওইরিবা লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংদা মিৎয়েং চঙবা হেনগৎহনবা মহাক্কী প্রেক্টিকেল ওইবা, মীয়াম্না য়াবা লুচিংবগী মতৌনা সংহানীনা আই এফ এফ সী ও অসিবু হিমায় চুমখি। হায়রিবা মতম অসিদা মৈগী মমল, মালেমগী ওইবা তংদু লৈতাদবনা মরম ওইদুনা মালেমগী হারগী কৈথেলদা অরেপ্পা মমল লৈতবা অমদি পোথোক পুথোকপদগী হৌনা মীয়ামদা ফংহনবা ফাওবদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরবসু আই এফ এফ সী ওগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম লেপ্তুনা ফগৎলকখি। ●

-মখা চৎথজরকখিগনি

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩১গী ৱাহং

১) "দিমান্দ লেটর" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওল্লম্মী।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্লিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "ঐগী পীক্লবা আশাগী পান্দোং
ঐগী চল্লবা আশাগী লৈয়োন
য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে
পূক্লিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।"

লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) "আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।"

ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।